# চাইনিজ মিদিয়ানা ইন্দিয়াদা ৱার্নিং তৌখ্রে

বৈজিং, মার্চ ২২ : চাইনানা নেপাল অমসুং শ্রী লঙ্কাগা মিলিটরি কোলাবরেসন তৌনবা হোৎনবদা ইন্দিয়ানা খুৎ থিংজিন্নবা হোৎনরক্লিবসি থেংনগনি হায়না চাইনিজ মিদিয়ানা কিহনখ্রে।

চাইনাগী দিফেন্স মিনিষ্টর চাঙৱাংকুৱাননা শ্রী লঙ্কাদা খোঙচৎ অমা চৎলিঙৈ অমসুং মদুগী মতুংদা নেপালদা অমুক চৎনবা লেপ্তুনা লৈরিঙৈ তাল্লক্তা কিহনবসি লাক্লিবনি। চাঙগী খোঙচৎতুদা নেভিগী দেপ্যুটি কম্মান্দর সু ঝিকিয়ানসু লোয়নরি।

ইন্দিয়ানা লৈবাকশিং অসিদা মতম শাংনা পীরকখিবা ঈথিল লাকহৎপা হায়বসি তরায়বা থবক ওইরোইদৌরি হায়না চাইনানা ৱারি। সাউথ এসিয়াদা হেনগৎলক্লিবা চাইনাগী ঈথিলবু কাউন্টর-বেলেন্স তৌনবা হোৎনৈ হায়না বৈজিংনা ইন্দিয়াবু মরাল শীরদুনা বৈজিংদা বেজ ওইবা গ্লোবেল টাইমসকী কম্মেন্টরিনা হায়রি মদুদি, থৌওং অসি মখা তানা চথুরবদি চাইনানা থৌওং অসিগী মায়োক্তা থবক তৌগনি, মরমদি লৈবাক অসিগী মরু ওইবা অনিংবা অপাম্বশিংদা ইন্দিয়াগী থৌওং অসিনা অকায়বা পী। মসিগুম্বসি ঐখোয়না পাম্বদগী তৌগদবা নত্তে, হৌজিক্তি ইন্দিয়ানা লৌখৎলকপা খোঙথাংগী মতুং ইন্না মখা তাবা ফীভম উবা ফংলগনি হায়না গ্লোবেল টাইমসনা হায়খি।


# ‘ত্রম্পক্যের’ ভোটকী মতাংদা দোনাল্ড ত্রম্প অমসুং কোক্স মচিন-মনাওগী মরক্তা মূক্করে

ৱাশিংটন, মার্চ ২২ :

চয়োল অসিদা উবা ফংগদৌরিবা যাম্না মরু ওইবনি হায়ন লৌনরিবা হাউস ওফ রিপ্রজেন্টেটিভসকী ভোট লৌনবদা য়ু এস প্রসিদেন্ট দোনাল্ড ত্রম্পকী হেল্থক্যের রিফোর্মশিং শৌগৎকদ্রা নৎত্রগা শৌগৎলোইদ্রা হায়না খন্নরিবা রিপব্লিকানশিংনা হৌজিক অরুবা চোইস অমা মায়োক্নরদুনা লৈরে হায়রি।

করিগুম্বা মখোয়না ত্রম্পকী হেল্থক্যের রিফোর্মশিংদুগী মায়োক্তা ভোট পীবা তারবদি মখোয় লমন খুমগনবা অমসুং মূক্নগনবা প্রসিদেন্ট অসিগী অশাউবা মায়োক্নরকপা য়াই। অমরোমদা, করিগুম্বা মখোয়না রিফোর্মশিং অসিবু শৌগৎতুনা ভোট পীবা তারবদি মখোয় রি-ইলেক্সনগী কেম্প্যেনশিংদা শেলগী তেংবাঙশিং চাউনা পীবা ঙম্বা বিলিনিয়র মচিন-মনাওশিং চার্লস অমসুং দেভিদ কোক্সকী লমন-খুম্বগী চৈরাক মায়োক্নবগী ফীভম লৈ হায়রি।

ত্রম্পনা মহাক্কী প্রসিদেন্সিগী খ্বাইদগী চাউনা মায়থীবা নৎত্রগা মায় পাকপা য়াবা অরুবা নিগোসিয়েসন



মায়োক্নরকপগা লোয়নননা য়ু এসকী কোংগ্রেসতা ওবামাক্যেরগী মহুৎ শিন্নবা মহাক্কী থৌরাংগী মরমদা শোক্নগদৌরিবা শাথিরবা লাল অসি রিপব্লিকানশিংনা শেঞ্জাও পায়বা কঞ্জার্ভেটিভ এদভোকেসি গ্রুপশিংবু শাউহল্লগা মখোয়গী পোলিটিকেল ফ্যুচরশিংগী মতাংদা দোনাল্ড ত্রম্পতা থাজবা থমগদ্রা হায়বগী চাংয়েং অমা ওইরি।

শগোলশেল নুমিৎতা পাঙথোক্নবা থৌরাং তৌরিবা ভোট অদুগী মাঙওইননা ত্রম্প অমসুং হাউসকী লিদরশিংনা বিল অদুবু শৌগৎনবা রিপ্রজেন্টিটিভশিংদা তকশিল্লিঙৈ তাল্লক্তা গ্রুপ খরনা মদুবু শৌগৎপশিংগী মায়োক্তা লমন খুমগনি হায়না কিহনখ্রে। হায়রি।

ত্রম্পকী রিফোর্মশিং শৌগৎপশিংবু কিহল্লিবা গ্রুপশিং অদুদা ক্লব ফোর গ্রোথ হায়বা হেরিটেজ ফাউন্দেসনগী পোলিটিকেল মশা অমসুং কোক্স মচিন-মনাওশিংনা লিংখৎপা চাউরবা পোলিটিকেল প্রেসর নেটৱার্ককী শরুক ওইরিবা অমেরিকান্স ফোর প্রোস্পেরিটি য়াওরি।

গ্রুপশিং অসি ভোট অদুদা যাম্না মরু ওইরি হায়বদি ভোট অসি গ্রুপশিং অসিনা লোমেকর অমবু মতীক চানা কঞ্জার্ভেটিভ ওই নৎত্রগা ওইদে হায়বদু লেপ্নবগী ফেক্টর অমা ওইগদৌরি। মসিনা বিল অদুবু শৌগৎতুনা ভোট পীবা রিপব্লিকান খরদি মথং চহীগী কোংগ্রেস্নেল ইলেক্সনশিংদা মরু ওইবা চেল্লেঞ্জ অমা মায়োক্নরকপা য়াবগা লোয়ননা কোক্স মচিন-মনাওশিং অমসুং অতৈদগী শেলগী তেংবাঙ ফংদবা য়াই হায়রি।

ত্রম্পনা লৈবাকপোকপা নুমিৎতা হাউসকী রিপব্লিকানশিংদা চেকশিন-ৱা পীরদুনা হায়খ্রে মদুদি, করিগুম্বা মখোয়না মহাক্কী হেল্থক্যের বিল অদুবু সপোর্ট তৌদবা তারবদি মথং চহীদা মখোয়গী সিটশিং খুদোংথীবা ফীভম মায়োক্নরক্কনি। মহাক্কী হেল্থক্যের বিল অসি ওবামাক্যেরদগী শেমদোক-শেমজিন তৌবনি। এফোর্দেবল ক্যের এক্ট হায়না ফোর্মেল ওইনা খঙনবা ওবামাক্যের অসি কুমজা ২০১০ দা পাস তৌখিবা হান্নগী দিমোক্রেটিক প্রসিদেন্ট বারাক ওবামাগী সিগনেচর হেল্থক্যের লেজিসলেসননি।

# ‘নোর্থ কোরিয়ানা য়ু এসকী অথিংবশিং কিদে, ন্যুক্লিয়র প্রোগ্রামগী খোঙজেল থুজিল্লগনি’

জিনেভা, মার্চ ২২ :

নোর্থ কোরিয়াবু মালেমগী ফাইনান্সিয়ল সিষ্টেমগা শম্নহন্দনবগী পান্দমদা য়ু এসনা লৈবাক অসিগী মথক্তা থল্লিবা অথিংবশিং হেননা পাকথোক চাউথোকহন্নবা লৌখৎলকপা খোঙথাং অমত্তা পিয়োংয়াংনা কিনিঙাই ওইদে অমসুং লৈবাক অসিগী ন্যুক্লিয়র অমসুং মিসাইল প্রোগ্রামশিংগী খোঙজেল ‘হেন্না থুজিলহল্লগনি’ হায়েনা নোর্থ কোরিয়াগী পাউখোল্লোয় অমনা লৈবাকপোকপা নুমিৎতা রোইটর্জদা ফোঙদোকখ্রে।



ন্যুক্লিয়র অমসুং মিসাইল প্রোগ্রামশিং থুজিনবা অসিদা ‘মীনা খুৎ থারক্ত্রিঙৈদা হান্না ষ্ট্রাইক তৌনবগী কেপেবিলিটি’ লৈহনবা অমসুং ইন্টর-কন্টিনেন্টেল বলিষ্টিক মিসাইল (আই সি বি এম) অমা পুথোকপা য়াওরি হায়না জিনেভাদা নোর্থ কোরিয়ন মিসনদা দেপ্যুটি এম্বেসেদর ওইনা লৈবা চোং সিওং নামনা হায়খি।

রোইটর্জনা ৱাশিংটনদা লৈবা য়ু এসকী সিনিয়র ওফিসল অমা পল্লদুনা নিংথৌকাবা নুমিৎতা ফোঙদোকখি মদুদি, নোর্থ কোরিয়াগী ন্যুক্লিয়র অমসুং মিসাইল থ্রেট থেংনননবগী খোঙথাংশিং হেন্না মপূং ফাবা রিভিয়ু অমা পাঙথোকপগী শরুক ওইনা ত্রম্প এদমিনিষ্ট্রেসনননা কাচিন-কোয়া হেন্না য়ৌশিনগদবা সেঙ্কসনশিং থম্নবা খন্নরি।

‘মসি সেক্রেটরি ওফ ষ্টেট (রেক্স টিলরসন) না জপান, সাউথ কোরিয়া অমসুং চাইনাদা খোঙচৎ অমা চৎপদগী ওইরকপা ফীভমনি। ঐখোয়গী ওইনদি অদুগুম্বা মখলগী এক্সন অমত্তা কিবা লৈতে’ হায়না চোনা রোইটর্জদা হায়খি।

‘ইন্টরনেসনল ত্রাঞ্জেক্সন সিষ্টেম, গ্লোবেল ফাইনান্সিয়ল সিষ্টেম থিংজিনবগুম্বা খোঙথাং অসিসু মখোয়গী সিষ্টেমগী শরুক্নি, মসিনসু ঐখোয়বু কিহনবা ঙম্লোই নৎত্রগা খেন্নবা পুরকপা ঙম্লোই।’

মহাক্না পিয়োংয়াংগী মথক্তা হৌজিক থল্লিবা অথিংবশিং যাম্না শাথিবা মীনুংশি অমত্তা উৎতবা ঙাক্তনি হায়খি।

চহী ৫০ চুপ্না নোর্থ কোরিয়াগী মথক্তা অথিংবা থমদুনা লাকখি তৌইগুম্বসুং ঙসি ফাওবদা লৈবাক অসিনা জুটচে নৎত্রগা ‘মীপাল তাংদনা হিংবদা’ মিৎয়েং থমদুনা হিংদুনা লাক্লি। মহাক্কী লৈবাক্না অথিংবশিং অসিবু লোগী মিৎয়েংনা য়াই নৎত্রগা য়াদে হায়বদু য়েংশিন্নবা ফোরম অমা লিংখৎপা পাম্মী হায়না চোনা হায়খি।

মহাক্না নাকপাক তানা খায়দোক্নরবা পেনিন্সুলা অদুদা য়ুনাইটেদ ষ্টেটস অমসুং সাউথ কোরিয়ানা হৌজিক পাঙথোক্লিবা চহীগী ওইবা অপুনবা মিলিটরি এক্সরসাইজশিংবু কন্না য়ানিংদবা ফোঙদোকখি অমসুং হৌখিবা চয়োলদা টিলরসন্না রিজনেল মীচংশিংগা ৱারী শানবদা ফোঙদোকখিবা ৱাফমশিংবুসু ক্রিটিসাইজ তৌখি।

হৌজিক পাঙথোক্লিবা মিলিটরি দ্রিলশিং অদু মশা ঙাকথোকচনবনি হায়বা ৱাশিংটন অমসুং সিওলগী ক্লেমশিং নোর্থ কোরিয়ানা য়াবা ঙম্লোই। এক্সরসাইজশিং অসিদা ষ্ট্রেটেজিক ন্যুক্লিয়র বোম্মরশিং অমসুং হন্দক্তা সাউথ কোরিয়াগী হিথাংফমশিংদা চঙশিনখিবা ন্যুক্লিয়র সবমেরিন কলম্বসনা শরুক য়ারি হায়না মহাক্না ফোঙদোকখি। ‘অসুম্না অপুনবা মিলিটরি এক্সরসাইজশিংসিদা অসিগুম্লবা চাউরবা মিলিটরি ফোর্সশিংনা শরুক য়ারিবসি য়েংলগা ঐখোয়না ন্যুক্লিয়র প্রোগ্রামশিং অমসুং মিসাইল প্রোগ্রামশিং খোঙজেল মপুং ফানা থুজিনহন্দুনা মখা চথবা নত্তনা অতৈ খন্ননিঙাই লৈতে’ হায়না চো মিওং নামনা মখা তাখি।

# নাসানা সোলর সিষ্টেম থিজিনবদা শীজিন্নগদবা ‘ফ্যুচরিষ্টিক’ ক্লোক শেম শারি

ৱাশিংটন, মার্চ ২২ :

তুংদা মীওইবনা সোলর সিষ্টেমবু থিজিনবদা অশোয়-অঙাম থোকহন্দনা নেভিগেট তৌবা য়াহনগদবা মরু ওইবা খুমাঙ চাউশিনবগী খোঙথাং অমদা নাসানা ২০১৭ কী অথেংবা শরুক্তা মথং জেনরেসনগী এটোমিক ক্লোক অমা স্পেসতা থারগনি হায়না লাউথোকখ্রে।

মসিগী ক্লোক অসি মমাঙদা স্পেসতা পাইহনখিবা এটোমিক ক্লোক খুদিংমক্তগী হেন্না পীক্কনি, য়াংগনি অমসুং মেগনিট্যুদ কয়া হেন্না প্রিসাইস ওইগনি হায়না নাসানা ফোঙদোকখি।

কলিফোর্নিয়াগী পাসাদেনাদা লৈবা নাসাগী জেট প্রপলসন লেবোরেটরিগী এঞ্জিনিয়রশিংনা দীপ স্পেস এটোমিক ক্লোক হায়না খঙনবা ইনষ্ট্রুমেন্ট অদু ২০১৭ কী অথেংবদা মসিবু ওর্বিটতা পুগদৌরিবা স্পেসক্রাফট অদুগা ইন্টগ্রেসন তৌবগী থবক মপূং ফানা লোইরে হায়না য়ু এস স্পেস এজেন্সি অসিগী (নাসাগী) ষ্টেটমেন্ট অমনা লৈবাকপোকপা নুমিৎতা হায়খ্রে।

‘স্পেসক্রাফট নেভিগেসনদা টাইমকিপ্পিংনা মরু ওইবা থৌদাং অমা লৌরি অমসুং মসি তুংদা পায়খৎকন্দবা দীপ স্পেস মিসনশিংদা যাম্না মরু ওইগনি।’

স্পেসক্রাফট অয়াম্বা লম্বী অনীগী ওইবা মেথদশিং শিজিন্নদুনা ত্রেক তৌই - মেথদ অসিদা গ্রাউন্দদা লৈবা এন্টেন্নানা স্পেসক্রাফট অদুদা সিগনেল থারগা সিগনেলদু হল্লকপা ঙাই।

সিগনেল চৎপগী মতমদু পারগা স্পেসক্রাফটতুগী অরাপ্পদু লেপথোকপা ঙম্মী। মদুগী তুংদা নেভিগেসনগী টিম অমনা মসিগী ইনফোর্মেসন অসিবু প্রোসেস তৌদুনা স্পেসক্রাফট অদুনা পাইবগী লম্বী লেপ্পগা লোয়নননা লম্বীগী অশোয়বা লৈ নৎত্রগা লৈতেহায়বদুসু লেপ্পী।

নাসানা দিভলপ তৌবা মথংগী জেনরেসনগী এটোমিক ক্লোক অসিনা লম্বী অমখক্কী ওইবা ট্রেক্কিং য়াহল্লি। মসিদা স্পেসক্রাফট অদুনা আর্থতা সিগনেল অমুক থারকপগী তঙাই ফদবা লৈহন্দে হায়রি।

ট্রেকিংগী মেজরমেন্টশিংদু স্পেসক্রাফট অদুনা লৌজে। স্পেসক্রাফটতা বেজ ওইবা নেভিগেসন সিষ্টেম অমগা লোয়ননা প্রোসেস তৌদুনা লম্বী লেপ্পা অমসুং লম্বীদুদা পাইরিঙৈদা মনুভ্রগী তঙাই ফদবা লাক্লে হায়বদুসু লেপ্পা ঙম্মী। অষ্ট্রোনোটশিংনা তঙাই ফন্দনা পাম্লকপা মতমদা মখোয়গী পোজিসন অমসুং ভেলোসিটি খঙহনবা ঙম্নগা লোয়ননা মসি তুংদা মীওইবনা সোলর সিষ্টেম থিজিনবদা অশোয়-অঙাম থোকহন্দনা নেভিগেসন তৌবা য়াহনগদবা মরু ওইবা খুমাঙ চাউশিনবা অমা ওইরগনি হায়না নাসানা হায়রি।

# ত্বিটরনা থা ১৮ গী মনুংদা টেররগা মরী লৈনবা একাউন্ট লাক্ষ ৬ হেন্না থিংজিনখ্রে

সান ফ্রান্সিস্কো, মার্চ ২২ :

হৌখিবা চহী অমা-মখায়রোমসিদা মাইক্রো-ব্লোগিং ৱেবসাইট ত্বিটরনা টেররগা মরী লৈনবা একাউন্ট লাক্ষ ৬ হেন্না ব্লোক তৌখি হায়না মিদিয়া রিপোর্টশিংনা হায়রি।

লৈবাকপোকপা নুমিৎতা সি এন ঈ টিনা ফোঙখিবা ত্বিটরগী ‘ত্রান্সপরেন্সি রিপোর্ট’ পনবা পাউ অমগী মতুং ইন্না ওগষ্ট ১, ২০১৫ দগী মাইক্রো-ব্লোগিং সাইট অসিনা পুন্না টেররগা মরী লৈনবা একাউন্ট ৬৩৬,২৪৮ সসপেন্দ তৌখ্রে। মমাঙ চহী ২০১৬ কী অরোইবা থা তরুক্কী মনুংদা ত্বিটরনা টেররিজমবু পূক্নিং থৌগৎপগীদমক্তা একাউন্ট ৩৭৬,৮৯০ ব্লোক তৌখি।

ত্বিটরনা কুমজা ২০১৬ কী অঙনবা শরুক্তা একাউন্ট ১২৫,০০০ হেন্না ব্লোক তৌরে হায়না লাউথোকখি। একাউন্টশিংদু মরু ওইনা ইস্লামিক ষ্টেট (আই এস) এক্সত্রিমিষ্ট গ্রুপকা মরী লৈনখি। একাউন্টশিং সসপেন্দ তৌবগী মথক্তা ত্বিটরগী গ্লোবেল পব্লিক পোলিসী টিমনা ওনলাইনদা কাউন্টর ভাইঅলেন্ট এক্সত্রিমিজম (সি ভি ঈ) গী থবক তৌবা ওর্গনাইজেসনশিংগা পার্টনরশিপশিং হেনগৎহনখ্রে।

এক্সপার্ট কয়া অমসুং অতৈ কম্পেনি কয়ানা ফোঙদোক্নবগুম ইন্টরনেটতা য়াওরিবা টেররিষ্টকা মরী লৈনবা মচাকশিং নৎত্রগা পোৎশকশিং খঙদোক্নবগী মেজিক্নুম্লবা পাম্বৈ লৈতবা মরম্না গ্লোবেল ওনলাইন প্লেটফোর্মশিংনা তঙাই ফদনা ইনফোর্মেসন অমসুং গাইদান্স খজিক্তংদা য়ুম্ফম ওইরগা চেল্লেঞ্জিং জজমেন্ট কোল কয়া তৌদুনা লাকখি।

ত্বিটরনা পিপল এগেনষ্ট ভাইঅলেন্ট এক্সত্রিমিজম অমসুং লুমেন প্রোজেক্টকুম্বা টেররিজম, রেসিজম অমসুং সেপ্পরেটিজমবু পূক্নিং থৌগৎপগী থবকশিং লাকশিন্নবসু হোৎনদুনা লাক্লি হায়রি।

# য়ু এস, য়ু কেনা ফ্লাইটতা লেপটোপশিং পুরকপা থিংখ্রে

পেরিস, লন্দন, মার্চ ২২ : য়ুনাইটেদ ষ্টেটস অমসুং বৃটেননা লৈবাকপোকপা নুমিৎতা টর্কি, মিদ্দল ইষ্ট অমসুং নোর্থ অফ্রিকাগী এয়রপোর্ট খরদগী পাইরকপা ফ্লাইটশিংগী পেসেঞ্জর কেবিনশিংদা লেপটোপশিং অমসুং টেব্লেট কম্প্যুটরনচিংবা খরা চাউবা ইলেক্ট্রোনিক দিভাইসশিং পুরকপা থিংখ্রে।

স্মার্ট ফোনশিংদগী খরা হেন্না চাউবা কঞ্জ্যুমর ইলেক্ট্রোনিক্সকী পোৎলমশিংদা খরা পীকবা এক্সপ্লোসিভ দিভাইসশিং লোৎতুনা এক্সত্রিমিষ্টশিংনা এয়র লাইনরশিংদা এটেক তৌনবগী অচৌবা লম্বীশিং থিরি হায়না অমেরিকান ওফিসলশিংনা লাউথোকখিবগা লোয়ননা খোঙথাংসি লৌখৎলকখিবনি।

# খোঙউপতা দাইমন্দ লোৎতুনা পুরম্বা নুপা ১ ফাখ্রে

সেঞ্জেন (চাইনা), মার্চ ২২ :

সেঞ্জেন সিটিদা য়ুম্লোন্নবা হোং কোং সিটিদগী দাইমন্দ ১০০০ হেন্না লোনা য়াদবা মওংদা পুশিন্নবা হোৎনরম্বা নহা ওইরিবা নুপা অমা ফারে হায়না চাইনিজ ষ্টেট দেলি সিনহুৱাগী পাউনা হায়রি। পাউ অসিগী মতুং ইন্না নহা অদুনা য়াম্লবা দাইমন্দশিং অদু মহাক্কী খোঙউপশিংদা লোৎতুনা স্মগল তৌনবা হোৎনরম্বনি হায়রি।

গুৱাংদোং প্রোভিন্সকী সেঞ্জেনদা কষ্টমসকী ওফিসলশিংনা স্মগ্লরনি হায়রিবা নহা অদুনা হোং কোংগা চাইনিজ মেইনলেন্দগী সিটিশিংগা শম্ন হল্লিবা লৌহু হিথাংফম ফাওরগা চৎলিঙৈদা মহাক্কী খোঙউপশিংগী মনুংগী সোলশিংদা দাইমন্দ কারাট ২১২.৯ য়াওরম্বা থেংনখিবনি হায়না সিনহুৱানা হায়রি।

নুপাদুনা করিগুম্বা মতমদা খুনিং কাংখৎতুনা চৎপা উবগা লোয়ননা চিংনবগী মওং উৎখি। ‘ঐখোয়না মঙোন্দা য়েংই হায়বসি মহাক্না খঙলকখিবগা লোয়ননা মহাক্না য়াম্না থুনা নোর্মেল ফীভমদা হোংদোক্তুনা চৎখি’ হায়না ৱাং কৌবা সর্নেম য়াওবা কষ্টমসকী ওফিসর অমনা ফোঙদোকখি।

কষ্টমস ওফিসরশিংনা নুপাদুদা মহাক্কী খোঙউপশিংদু লৌথোক্নবা হায়খি। মখোয়না মহাক্কী খোঙউপশিং অদুগী মনুংদা সোলশিংদু লৌথোকপা মতমদা মশেক-মঙাল থোক্না লংলবা দাইমন্দশিংগী খাউ কয়া য়াওরম্বা থেংনখি।

লৌহু হিথাংফমদা লৈবা কষ্টমসকী কাঙবুশিংগী মতুং ইন্না, অতৈ স্মগ্লরশিংগী খোঙউপ মোজাশিং অমসুং অচাপোৎকী পেকেজশিংদা দাইমন্দশিং লোৎতুনা পুরম্বা থেংনখ্রে। নুমিৎ খরনিগী মমাঙদা নুপা অমনা কারাট ১৬৪ লুম্বা দাইমন্দ ১,৫৫৪ পেকেজ স্নেকফুদতা লোৎনবা হোৎনরম্বদগী ফাখি।

# য়ু এস প্রসিদেন্ট দোনাল্ড ত্রম্পনা মেদা পাঙথোক্কদৌরিবা নেটোগী সম্মিটতা শরুক য়াগদৌরি

ৱাশিংটন, মার্চ ২২ :

লাক্লিবা মে থাদা পাঙথোক্কদৌরিবা নেটোগী লীদরশিংগী সম্মিটতা য়ু এস প্রসিদেন্ট দোনাল্ড ত্রম্পসু শরুক য়াগনি হায়না হ্বাইট হাউসনা ফোঙদোকখ্রে।

নেটোদা য়ু এসনা অচেৎপা কম্মিটমেন্ট থল্লি হায়বদু নৌহৌননা থাজবা পীনবগীদমক্তা প্রসিদেন্টনা নেটোগী মহাক্কী লেঙমান্নবশিংগা মীফম চথনবা খৌরাংনা ঙাইরি। মহাক্না মখোয়গা এলাইএন্স অসিগী মরু ওইবা ইস্যুশিং মরু ওইনা মীচংশিংনা রেস্পোন্সিবিলিটি লৌমিন্নবগী ৱাফম অমসুং টেররিজমগী মায়োক্তা নেটোনা লৌরিবা নৎত্রগা লৌগদবা থৌদাংগী মরমদা ৱারী শানগনি’ হায়না হ্বাইট হাউসকী ষ্টেটমেন্ট অমনা লৈবাকপোকপা নুমিৎতা ফোঙদোকখি।

ষ্টেটমেন্ট অদুনা মখা তাখি মদুদি, লীদরশিংদুগা উনবগী মথক্তা ত্রম্পনা মথং থাদা হ্বাইট হাউসতা নেটোগী সেক্রেটরি জেনরেল জেন্স ষ্টোল্টনবর্গকী হোষ্ট ওইদুনা তোঙানবা মীফম অমসু পাঙথোক্কনি।

ষ্টোল্টনবর্গকা এপ্রিলদা পাঙথোক্কদৌরিবা মীফমদু অনৌবা সিক্যুরিটি ইনভাইরনমেন্টগী মতাংদা মে ২৫ দা ব্রসেলজদা পাঙ-থোক্কদৌরিবা সম্মিটকী শেম-শাবা ওইনা এরেঞ্জ তৌরিবনি হায়রি। অনৌবা সিক্যুরিটি ইনভাইরনমেন্ট অদুদা এলাইএন্স অসিনা টেররিজম থেংনবদা লৌরিবা নৎত্রগা লৌগদবা থৌদাং অমসুং দিফেন্সকী চাদিং হেনগৎহনবা অমসুং চাদিংগী পোৎলুম ফজবা মওংদা স্যের তৌমিন্নবগী ৱাফমশিং য়াওরি হায়না সি এন এননা য়ুমশকৈশা নুমিৎতা ফোঙদোকখ্রে।

ত্রম্পনা নেটোগী সম্মিটতা য়াওবগী ৱাফম অসি য়ু এসকী সেক্রেটরি ওফ ষ্টেট রেক্স টিলরসন্না নেটোগী ফোরন মিনিষ্টরশিংগী মীফমদা য়াওদনবা অমসুং মদুগী মহুত্তা থা অসিগী অথেংবদা মহাক্না হোষ্ট ওইদুনা চাইনিজ প্রসিদেন্ট সি জিনপিংগা উনরবা মতুং এপ্রিলদা রসিয়াদা চৎনবগী ৱারেপ ওইনা লৌখিবা মতুংদা লাউথোরকখিবনি।

ষ্টেট দিপার্টমেন্টনা মীফমদুগীদমক্তা নেটোদা অতৈ তারিখ খরা সজেষ্ট তৌখ্রে হায়না সি এন এনগী রিপোর্টতুনা হায়খি।

ব্রসেলজদা পাঙথোক্কদৌরিবা নেটোগী মিনিষ্টরশিংগী মীফমদা য়াওদনবা টিলরসন্না ৱারেপ লৌখিবসিনা য়ু এসকী য়ুরোপিয়ন মীচংশিংগী মরক্তা নুংনাংবা পোকহনখি।

‘চাইনিজ লীদরশিংগা উনবা অমসুং মদুগী তুংদা রসিয়াদা অমুক চৎপা, মরক্তুদা নেটোগী মীফমবুনা য়াওদবা হায়বসি ঙক্লিংঙাই ওই, নেচরেল ওইদে’ হায়না নেটোগী দিপ্লোমেট অমনা হায়খি।

# মুশারফনা ২০০৭ তা অরোনবা দিল অমা পামখি: নৱাজ শরিফ

ইস্লামাবাদ, মার্চ ২২ : হান্নগী মিলিটরি রুলর পর্বেজ মুশারফনা মঙোন্দা পুন্না গভর্ণমেন্ট শেম্মীন্ননবগী ‘অরোনবা দিল’ অমা ওফর তৌখি হায়না পাকিষ্টানগী প্রাইম মিনিষ্টর নৱাজ শরিফনা ফোঙদোকখ্রে।

লৈবাকপোকপা নুমিৎতা রুলিং পাকিষ্টান মুস্লিম লীগ-নৱাজ (পি এম এল-এন) পার্লিয়ামেন্টরি কম্মিটিগী মীফমদা ৱা ঙাঙলদুনা শরিফনা হায়খি, ‘মুশারফনা কুমজা ২০০৭ তা ঐহাক্না অরোনবা দিল অমা চথনবা পামখি, তৌইগুম্বসুং ঐহাক্না মদু য়াখিদে।’ মতমদু মুশারফনা পাকিষ্টানগী প্রসিদেন্ট ওইখি অমসুং শরিফনা মপানদা লোই চৎলুবদগী হল্লকপা কুইদ্রিবা ওইরম্মী।

পাকিষ্টানগী পাউচে দোননা য়ুমশকৈশা নুমিৎতা শরিফকী ৱারোল পল্লদুনা হায়খি মদুদি, মীয়ামগী অনিংবা অপাম্বশিংবু পুম্মাঙ মাঙহনবা মীওইশিংগা লোন্না য়ানবা পুরকপগী ৱাফমদা মহাক্না থাজবা থমখিদে।

মুশারফনা লুচিংবা মিলিটরি কূ অদুগী মতুংদা মহাক্কী ইমুংনা পাকিষ্টান থাদোক্নুনা চৎপা পামখিদে তৌইগুম্বসুং মহাকপু মিলিটরি দিক্টেটর অদুনা নমদুনা লোই চৎহনখি হায়না শরিফনা ফোঙদোকখি।




## ꯊꯕꯛꯀꯤ ꯄꯥꯎ/EMPLOYMENT NEWS

### National Aerospace Laboratories – NAL Recruitment – 24 Scientist/ Senior Scientist Vacancies – Last Date 16 April 2017

**NAL Recruitment 2017**

National Aerospace Laboratories (NAL) invites application for the post of 23 Scientist/ Senior Scientist. Apply Online before 16 April 2017. Qualification/ eligibility conditions, how to apply & other rules are given below…

Advt. No. : 02/2017

**Job Details :**

Post Name : Scientist/ Senior Scientist
No. of Vacancies : 24 Posts
Pay Scale : Rs.15600-39100 /-
Grade Pay : Rs.6600/- for Scientist & Rs.7600/- for Senior Scientist

**Eligibility Criteria for NAL Recruitment:**
Educational Qualification : M.E./M.Tech in relevant discipline. OR Ph D in in relevant discipline.

Nationality : Indian
Age Limit : Maximum age limit is 32 Years For Scientist & 37 Years For Senior Scientist As on 16.04.2016

**Job Location : Bangalore (Karnataka)**

**Selection Process :** Selection will be made on through written test & Interview.

**Application Fee :** Candidates have to pay Rs.100/- through Demand Draft drawn in the name of Director, NAL and payable in Bangalore. candidates belonging to SC/ST/PWD, Women and regular employees of CSIR are exempted from payment of application fee.

**How to Apply NAL Vacancy :** Interested Candidates may apply Online through the website www.nal.res.in & send print out copy of Online Application Registration Form duly signed together with recent passport size photograph, Application fee, copies of Matriculation / SSLC / Degree / Post Graduate Degree / Ph.D / Provisional Degree Certificate(s) and Marks Cards for all the Semesters / Years and other testimonials in support of Date of Birth, Qualifications, Experience etc. should be sent in a sealed cover superscribing "Application for the post of Senior Scientist / Scientist, Post Code No.________, Advt.No.02/2017" to The Controller of Administration CSIR National Aerospace laboratories Post No.1779, HAL Airport Road, Kodihalli Bangalore – 560 017 (Karnataka) on or before 16.04.2017.

**Important Dates to Remember:**

Last Date For Submission of Online Application & Printout : 16.04.2016

**Important Links :**
Detail Advertisement Link : http://www.nal.res.in/pdf/Advt.No.2-2017.pdf

**Apply Online : http://khoj.nal.res.in/jobs/**

### Oil and Natural Gas Corporation Limited – ONGC Recruitment – 15 Assistant Vacancy – Last Date 25 May 2017

**ONGC Recruitment 2017**

Oil and Natural Gas Corporation Limited (ONGC) invites application for the post of 15 Assistant . Apply Online Before 25 May 2017. Qualification/eligibility conditions, how to apply & other rules are given below…

Advt. No. : 02/2017 (R&P)

**ONGC Job Details :**

Post Name : Assistant (Legal Adviser)
No. of Vacancy : 15 Posts
Pay Scale : Rs.24900-50500/-

**Eligibility Criteria for ONGC Recruitment :**
Educational Qualification : Graduate Degree in Law (Professional) with minimum 60% marks.

Nationality : Indian
Age Limit : Maximum age limit is 30 years As on 01.01.2017

Age Relaxation : For SC/ST Candidates 05 years & For OBC Candidates 03 years

**Job Location : Dehradun (Uttarakhand)**

**Selection Process :** Selection will be based on through CLAT-2017.

**Application Fee :** There is no Application Fee.

**How to Apply ONGC Vacancy :** Interested Candidates may apply online through website http://www.ongcindia.com from 05.05.2017 to 25.05.2017. thereafter website link will be disabled.

**Important Dates to Remember :**
Starting Date for Submission Of Online Applications : 05.05.2017
Last Date for Submission of Online Applications : 25.05.2017

**Important Links :**
Detailed Advertisement Link : http://www.ongcindia.com/wps/wcm/reportspdf/common/ALAclateng130317.pdf

**Apply Online :** http://www.ongcindia.com/wps/wcm/connect/ongcindia/home/career/recruitment+notices/main+recruitment+of+assistant+legal+advisorthrough+clat+-+2017+of+llm